ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯶, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ফেব্রুৱারী ২৬, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩২৩শুবা মশীং

# সূদা লৈরিবা লূপশিং

## লোগী ৱাংমদা থবক তৌহন্দনবা অকনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই

মশীং খঙদ্রবা লালহৌলূপশিংগী থবক থৌরমশিং য়ারিবমখৈ হন্থহন্নবগী পান্দমদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী পাউতাক মতুংইন্না কুকি অন্দরগ্রাওন্দ ২৩গা মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কা মায়কৈ অহুমগী ওইবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) চৎনহনবগী ৱাফম লাকখি। ৱাফম অসি কুমজা ২০০৮গী ওগষ্ট ২২দা থবক্তা ওন্থোক্তুনা নুমিৎ অসিদগী কুকি মিলিটেন্টশিংগা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন চথনখি। সূ তৌনরিবা অসি গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্লগা তৌনবনি। গ্রুপ অমনা কুকি নেসনেল ওর্গনাইজেশন (কে এন ও)নি। অদুগা অতোপ্পা কাঙবু অমনা য়ুনাইটেদ পীপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)নি। মার্দর ওর্গনাইজেশন ওইরিবা কে এন ওদা লালহৌলূপ ১৭ য়াওই। অদুগা য়ু পি এফতনা লালহৌলূপ তরুক পুল্লি। হায়রিবা লালহৌলূপশিং অসিগা লৈঙাক্কা য়ানখিবা মতুংইন্না মখোয়গী খূৎজু-খূৎলায়শিংসু আর্মিগী সেভ কষ্টদিদা থমখ্রে। কাদরশিংসু লৈঙাক্না মশক খঙনা শেম শাখ্রবা দিজিগনেটেদ কেম্পশিংদা লৈনখ্রে। সূদা লৈরিবা লূপশিং অসিগী চহীগী থৌরম পাঙথোকপা ফাওবা দিজিগনেটেদ কেম্পতা পাঙথোক্লরে। কেম্পতা লৈরবা কাদরশিং লৈঙাক্না শকখঙ চে ফাওবা পীরি। শকখঙ চে পীরবা কাদরশিংদসু মখোয়গী চাদিংগীদমক থা/থাগী শেনফম খরা খরা পীরি। সূ তৌনবা মতমদা মায়কৈ অহুমগী ওইনা য়ানখিবা অয়াম্বা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্নমেন্টনা ঙাক্তুনা চৎলি। লালহৌলূপশিং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা য়ানবগী শান্তিগী ৱারী শানবা খোঙথাং ফাওবা লৌখৎপা হৌখ্রে। অদুবু লুরিবা ৱাফমদি খূৎলায় পায়বা কুকি লালহৌলূপশিংনা সূগী চৎন-পথাপশিং কয়ামুক য়াম্না ঙাক্লিবগে হায়বসি হৌজিকসু ৱাহং ওইনা হংনদুনা লৈরি। থৌদোক খরদদি সূদা লৈরিবা লালহৌলূপশিংনা মখোয়গী কাদরশিং কেসতা চেন্নে হায়দুনা মখোয়না ওইনা লৈঙাক্তা শীন্নরকখিবগী ফজরবা নীতি লৈখি। করিগুম্বা মতমদনা মখোয় চেন্নদে হায়দুনা হেক্তমক লৈথোকখিবা য়াওদবসু নত্তে। তশেংনা ষ্টেট অসিদা ইংনা-তপ্পা মখোয়গী অপাম্বা ফংননবগীদমক ৱারী শানরিবনি হায়না লৌদুনা দিজিগনেটেদ কেম্পতা লৈবা ওইবা তারবদি মায়কৈ অহুমগী ওইনা য়ানখিবা ৱাফমশিং ঙাকপা হায়বসিদগী হেন্না অফবা খোঙথাং লৈতে। মতম মতমগী পাঙথোকপা সূগী মীফমদা অশোয়বা অরানবা, নত্তবা তৌখিবশিং পুথোক্লদুনা তুংদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরকপা থীংননবা থবক লৌখৎমীন্নবগী লৈরিবা পরিং অসিদসু অমনা অমদা মতেং পীনবা চঙই। ঐখোয়না কাউরোইদবদি সূ তৌনরবসু তৌনদ্রবসু মীচম মীয়াম্না য়ানিংলোয়দবা থবক্তি কৈদৌঙৈদসু তৌরোইদবনি। নোংমৈ বেরেলনা মীচম মীয়ামগী মচিন মেন্ননবা হোৎনরোইদবনি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা মোরেদা থোকখিবা তোঙান-তোঙানবা থৌদোকশিংদা সূদা লৈরিবা কুকি লালহৌলূপশিংগী কাদরশিং চেন্নে হায়বগী ৱাফম কয়া মায়কৈ কয়াদগী হায়নরকখিবা লৈখ্রে। কিহন-খঙহনবা, মীহাৎ-মীপুন চথবা অমদি ঈং-তপ্পা ফীভম থুগায়বদা চেন্নবা সূদা লৈরিবা লূপশিংগী কাদরশিংবু লোগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু হায়না সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু লৈঙাক্তা তকশিনখিবা কয়া লৈখ্রে। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৪দা মোরেগী জিওন ভেংদা লৈবা নেমজাহাও হাওকিপকী য়ুমদা কিহন-খঙহনবগী থৌওং চথখিবা অমদি হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২০গী অহিং নোংয়াই মতুংদা মোরেগী কেনন ভেংদগী মীওই মরি ফূরমখিবা থৌদোকশিংদা সূদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা কুকি লালহৌলূপশিংগী মীওইশিং চেন্নে হায়না কুকি সী এস ওশিংনা ফোঙদোরকপদা নত্তনা চেন্নরিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎলু হায়নসু লৈঙাক্তা তকশিল্লিবনি। দিজিগনেটেদ কেম্পতা লৈরিবা লালহৌলূপশিংনা কেম্প থাদোক্লগা মনিং তম্না খুশু-খুৎলায় পায়দুনা মীওই কয়াবু ফূবা চৈবা তৌবা, কিহন-খঙহনবা হায়বসিনা ঈং-তপ্পা ফীভমদা অকায়বা পীরিবনি। মীচম-মীয়াম্না ফোংনা হায়দোকপা ঙমদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অমসু থোক্তবা নত্তে। লোগী ৱাফমদা লাকপা তারবদি লোগী ৱাংমদা থবক তৌবা খূদিংমক চৈরাক ফংনিংঙাই ওইরিবনি। লৈঙাক্না সূদা লৈরিবা লূপশিং লোগী ৱাংমদা থবক তৌহন্দনবা অকনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১২

১) মণিপুরীবু বি এদা ভর্নিকুলার সবজেক্ট অমা ওইনা তম্নবা লৈখিবসি করম্বা চহীদগীনো?

২) মীতৈ অমনা সাহিত্য একাদেমিগী বেঙ্গলিগী ট্রান্সলেসন প্রাইজ ফংখি। ট্রান্সলেটর অসি কনানো অমসুং করি লাইরিকপু করি হায়না হন্দোকপদা ফংবনো?

৩) “চে মতৎ অসিগীদমক্/ৱানরিবনি, কপ্পুরিবনি,/ঈ দান্ তৌনরিবনি/মীনাই য়োল্লিং থাংনরিবনি/খল্লিঙৈ লম্বী ময়ায় ’দুদা,/ শাথীরবা হোর্ণ অমনা,/ইন্থোরকপগুম্ তৌখি ঐহাকপু/লম্বীগী চিদাই ’মদা।”
শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা, করম্বা শৈরেংদগীনো অমসুং করি লাইরিক্তা য়াওবনো?

৪) মখাদা পীরিবা শৈরেং মতেকসি অরিবা লাইশোল অমদগীনি, করি লাইশোন্দগীনো? “লহাননোং হয়িঙৈদা মপা মচল/তাওবীনা থিংনা লাইরেন য়ুকৌএ।।/ঈথিং লাইরেন তাওরোইনাই-ও/তুবী নউন মাবু হুবীরম-ও/লাইরেন নতাংমাবু শিৎপীরম্মো।।”

৫) হিজম গুণ সিংহগী করি করম্বা লাইরিকপু যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল করি চহীদা পীখিবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইমালোল (মীতৈলোল) হেন্না শীজিন্নহনবদা লাই হরাউবগী অচৌবা থৌদাং

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

ইমালোলগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপগী ৱা ঙাঙবদা মমালোলদা ৱা ঙাঙনবা য়ারিবমখৈ হোৎনবা য়াওরি। লোয়নমকপুদি নত্তে। হায়রিবা ৱাফমসি মীতৈলোল ঙাঙবগী ৱাফমনি। কনাগুম্বনা ইমালোল ঙাঙবগী ৱাফম ওইবনা ইমালোলগী নুমিৎ হায়নবসু য়াওই অদুগা মমালোলগী নুমিৎ হায়নবসু য়াওই। অমবু ওইসনু, অমবু ওইসনু য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইন্টরনেসনল মাদরস লেংগ্বেজ দে হায়বা থৌরম অসি চহী খুদিংগী ফেব্রুৱারী ২১দা পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়বসি মালেম শিনবা থুংনা খঙনরে। মসিনা হায়রিবদি মশা-মশাগী লৈজরিবা লোলবু মিরায়বা য়াদে, মশাগী লোল অদুবু য়োকখৎপা হায়বসিনি। অদুনা মশাগী লোল ঙাঙঙু হায়বনি। মসি হায়রে হায়দুনা অতৈ অতোপ্পা লোলদা ৱা ঙাঙবা, ইবা, পাবা তৌবা য়াদে হায়বমক্তি লৈতে। তৌবতদি মশাগী লৈজরিবা লোল অদুবু মিরাইদুনা অতোপ্পা লোলদা ৱা ঙাঙবদি পূক্নিং থৌগৎতে হায়বনি ইশম-শম্না হেক হায়রবদা। লমদম অসিদসু লোলগী থৌরম অসি পাক-শন্না পাঙথোক্লে। মদুদনি য়ারিবমখৈ মীতৈলোলদা ৱা ঙাঙনবা হায়বদি শম্না হিন্দি অমদি ইংলিস লোল য়াওদনবা হোৎনৈ। মসিসু অৱাবা অমা ওইনা অদুমক লৌনৈ। হায়নরিবনি লোনয়ান য়াওশিনখিগদ্রা খনবদা অৱাবা অমা ওইখ্রবনি, অসুম্না।

ঐনা তোংলিবা খোঙউপ অসিনা জপানগী, শেৎলিবা খোঙগ্রাও অসিনা ইংলিসকী, কোক্তা উপ্লিবা টুপি অসিনা রসিয়াগী অদুবু থৱায়-হকচাংদি হিন্দুষ্টানি ওইরি হায়বসিসু ফজৈ। মসিনা থম্মোয়বুদি হোংহনবা ঙম্লোই হায়বনি। অমরোমদা অহোংবসু অদুমক লাকপা য়ারিবনি। শেৎ-চারিবদুগী মতুংইন্না ৱাখলগী অহোংবসু অদুমক লাক্তবা নত্তে। মীরমগী ফিজেৎ-চাকচেৎ কা হেন্না শীজিন্নরবা হায়বসি থম্মোয়দা মদুগী অপাম্বদুগী মমি তাবা হৌরনি। চিন্দা মীতোপকী পোৎশক অদুগী মমিং হায়বা হৌরবনি। মদু পোৎশক অদুগী মরমদা ৱাফম কয়া খঙলগা চিনবান য়ৌরক্লিবনি, ৱাখলগী পনখৈ থোপ য়ৌনা চঙশিনখ্রিবনি। শম্না হায়রবদা ইমালোল শীজিন্নবা তোক্লক্লবগী মরম অমসু ফিজেৎ, চাকচা-য়ুথক হায়বসিনা ওইহল্লি। মণিপুরগী চাকচা-য়ুথক কয়া ফিজেৎ কয়া লমদম অসিগী মীয়াম্না ফনা য়াম্না তোক্লখ্রে। ঐখোয়গী ফি-রোল চিঙ্গাক্কী মথেল কয়া চাবা হন্থরকপা হায়বসি ঐখোয়না ইমালোলদা থোঞ্জবা মমিংশিং অদু চিন্দা হায়বা তোক্লক্লবনি। ৱাখলদা খনবা তোক্লবনি। লাপথোক্না লৈবা হৌরক্লবনি। মীরমগী পোৎকী মমিংনা ইশাগী পোৎকী মমিংগী মহুৎ শিনবা হৌখ্রবনি। পোৎকী মমিং চিন্দা হায়বা হায়বসি অমরোমদা ইমালোল ঙাঙবা তোক্লগা মীরোল ঙাঙবা হৌরবনি। অদুনদি মপান্দগী পোৎ চৈ য়াম্না শীজিন্নবসিনসু ইমালোল শীজিন্নদবগী মচাক অমসু ওইহল্লি। মসি হায় হায়দুনা মীরমগী পোৎ চৈ শীজিন্নবা তোক্লবনি হায়বদি নত্তে। শীজিন্নদবা ঙমসু ঙম্লোই। অদুবু অতোপ্পা মওং কয়াদা ইমালোল শীজিন্নবদি ফৈ।

সোসল মীদিয়া য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী ত্রিপুরাদা ইমালোলগী নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকপা উবা ফংই। করিগী ত্রিপুরাগী অখন্ননা ৱাফম পুথোক্লক্লিবসি? হন্দক চহীদি তোপ-তোপ্পা মওং অমদা উবা ফংই। লম্বীদা ইমালোল নুংশিবগী খোঙচৎ অমা চৎলি। নুপাসু নুপীসু য়াওই। মীতৈ ময়েক্না ইবা অপাকপা ফেষ্টুন অমা পুরগা মাঙ থানা চৎলি। নুপীমচাশিংনা কজেংলৈ উপ্পী, ফনেক মপান নাইবা শেৎলি, থৌগল জগোয়, লৈমা জগোয় শারদুনা চৎলি। লাই হরাওবগী পুঙলোনগী তান্থাদা চৎলি। য়ৈরিবা পুঙলোন্দুসু লাই হরাওবগীনি। মৌশিংনা ফনেক মপান নাইবা, ফি মতেক ইন্দুনা খোঙচৎ অদু য়াওই। ইমালোল চাওখৎহনসি হায়বা মীতৈলোলদা ইবা প্লে কার্দ কয়া পুদুনা চৎলি। য়েংবদা পূক্নিং অসি পেল্লি। মওং অসি ত্রিপুরাগী ওইনদি অচৌবা অওনবা, অহোংবা অমনি। ত্রিপুরাদা মীতৈলোল, লাই হরাওবা, খোরিরোল অমদি নাৎ-চৎনবী কয়াদা অহোংবা কয়া তপ্পা তপ্পা লাক্লি। অওনবা অসিগী মরম কয়াদি লৈরে। মদুগী মনুংদা খোরিরোলসু অমনি। মসিনা ইমালোল মীতৈলোল ঙাঙনবগী চাং য়াম্না হেনগৎহল্লি, লাইরিক কয়া মীতৈলোলদা ইননবগী লম্বী ফাৎলি। শৈরেং-ৱারেং অদু পাবা মতমদা ইমালোল ঙাঙনবনি, থম্মোয়দা য়ৌখ্রবনি। মণিপুরগী মীতৈগা ত্রিপুরাগী মীতৈগা ৱারী-ৱাতাই মীতৈলোলদা তৌনবগী চাং খোরিরোলনা য়াম্না হেনগৎহল্লি। শম্না হায়রবদা ষ্টেট অনী অসিগী অইবা-অইবীশিং য়াম্না তোয়না উনৈ, ৱারী শানৈ, লোলগী ওইবা থৌরম কয়া তৌমিন্নৈ। মসিদা ত্রিপুরাগী মীতৈশিংনা মীতৈলোলদা হায়বদি ইমালোলদা ৱা ঙাঙনবগী চাং য়াম্না হেনগৎহল্লি। ইমালোল কনবদা অচৌবা পাম্বৈ অমা ওইরি। ত্রিপুরাগী মীতৈশিং মীতৈলোল ঙাঙদ্রে হায়বদি নত্তে। অদুবু বাংলা লোলদা ৱারী শানবনা হেন্না খূৎলোয়বা হেন্দবসু নত্তে। মীতৈলোলদা বাংলা কয়া লোনয়ান ওইনা শীজিন্নরি। মসিদসু নত্তনা মীতৈলোলগী খোন্থোক কয়া বাংলাগী খোন্থোক্তা ওইনা ঙাঙলি। মসি পূম্নমকসি মণিপুরগী মীতৈগা ত্রিপুরাগী মীতৈশিংগা অইবা-অইবীশিংনা খোরিরোলগী খূথাংদা উনবা মতমদা হন্থহনবদা মতেং য়াম্না ওইরি।

লাই হরাউবনদি ইমালোল মীতৈলোল মুৎখিদনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলি। অমরোমদা থাজদনা লাই হরাউবনা খোরিরোলদগীবু হেন্না অচৌবা মতেং ওইনা মীতৈলোল চাওখৎপা, ঙাঙবা হেন্নবা। য়েংবীয়ু লাই হরাউবদা তৌরিবা থবক খুদিংমক লোনয়ান য়াওদবা মীতৈলোল য়াম্না ঙাঙনরিবনি। জগোয় শানবা হোৎনবা, জগোয় তম্বদা মীতৈলোল য়াম্না ঙাঙলি। জগোয় অদুদা শক্লিবা মালেম লৈশেম ঈশৈ অদু মীতৈলোলনি। পেনা খোংদুনা য়াকাইরোল শক্লিবদু অশেংবা মীতৈলোলনি। মাইবীনা লাই ঈকৌখৎলিবা, লাইমাঙ ফন্লিবা, শরোই খাংলিবা ময়ামদু ইমালোল মীতৈলোল ঙাক্তনি। লাইগী ৱারী কয়া মীতৈলোলদা ঙাক্তনি। অদুনদি ত্রিপুরাগী মীতৈশিংদদি ইমালোল ঙাঙবদা কয়া য়াম্না মতেং ওইখ্রবনো হায়বসি খঙবা ঙম্মী। লাইগী পোৎচং-চৈচং কয়া য়াওরিবা, জগোয় শাবগী ফিজেৎ, চৎনবী কয়াদু ইশাগী লোল-চৎনবী ঙাক-শেন্দুনা থম্বদা অচৌবা মতেং ওইরি। মালেমগী মীতৈ তাবা মফম পূম্নমক্তা ইমালোল ঙাঙন-শরুন্দুনা লৈনবা, লোল অসিবু মাঙখিদনবা লাই হরাউবনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরি। মসিনা ইমালোল অমদি নাৎ চৎনবী কয়াসু ঙাক শেন্দুনা থম্মী। খুদম অমত্তং পল্লবদা ত্রিপুরাদা লৈবা ময়ূম পাল্লবী মীতৈ নুপী অমনা মৌ অমনি হায়বা খঙননবা শমদা অঙাংবা শিন্দুর তৈশিল্লি। মোইবুং খুজি, অপাকপা বিন্দি লাইবক্তা নল্লি। মদু পূম্নমক্তু লাই হরাউবগী লাইগী থৌগল তৌবা মতমদদি বিন্দি নমদ্রে, শমদা শিন্দুর তৈশিন্দ্রে। অহোংবা লাক্লে। অতৈ মতমদা হায়রুরবদি তোকউ হায়বদা য়ারোই, শাউরক্কনি। অদুবু লাই হরাউবদদি হায়নবা লৈতনা মশানা অদুমক লৌথোকচখ্রে। চহী খুদিংগী লাই হরাউরবদি শিন্দুর নমদবগী হৈনবীগী মায়কৈদা হায়নবা তৌরুদনা লাক্কনি।

মীতৈলোল ঙাঙবা হেনগৎলকপা হায়বসি ত্রিপুরাদা লৈরিবা অতোপ্পা ফুরুপশিংনা ইকায়খুম্নবা হেনগৎলক্কদৌরিবনি মরমদি মশাগী লোল, ময়েক লৈজবা ফুরুপনি হায়দুনা। হান্না কয়া উশিৎতনা, থানদনা, হন্থনা য়েংলম্লবসু মতুংদদি তৌররোই। লাই হরাউবগী জগোয়, ঈশৈ, লাইশোন-তিনশোন কয়া অসি উবদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী নাৎ, চৎনবী কয়া মরাং কায়না লৈবা ফুরুপ অমনি হায়বদু অতোপ্পা ফুরুপ কয়ানা খঙনরক্তুনা ইকায়খুম্নবা হেনগৎলকপা মশানা তাবনি। ইমালোল চাওখৎহনগে, মীয়াম হুপ্না ইমালোল ঙাঙহনগে হায়বা তারবদি লাই হরাউবা হায়বসি তোকপা য়াদবা হায়বদু ওইরে। লাইরিক ওইনা তম্বা খক্তনা য়ারক্ত্রে, খোরিরোলখক্তনা য়ারক্তে। অহুম অসি পূন্না চৎমিন্নবা মথৌ তারি। ইমালোল ওইরিবা মীতৈলোল হেন্না শীজিন্নবা হেনগৎহনগে হায়রবদি খুন্নুং ঈশৈ, খুল্লং ঈশৈ, মতম ঈশৈ, ফুঙ্গা ৱারী, সিনেমা, লীলা-দ্রামা হায়রিবশিং অসি শৌগৎপা তাই। হায়রিবশিং অসি ইমালোল (মীতৈলোল) গা মরী লৈনবা ঙাক্তনি। ●

# রেদ-মিট য়োল্লিবশিং চেকশিন্না য়েংশিলহন্নীংই

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

হন্দক্তা ইকুই-কুইদনা মণিপুরদা য়েন-ঙানু অমদি ওকনচিংবশিং, লাইচৎ অমা ওইনা তোরাতুনা শিনখিবগী ৱারীশিং য়াম্না নিংথিজনা তানখি। বার্দ-ফ্লু, স্বাইন ফ্লু অমনা হেক্তা ওইরম্বা য়াই, শা-য়েনশিং ফনা নিংথিজনা শিনখি। মণিপুর লৈঙাক্না থৌদৌসিগী মরমদা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎপা ওইনা, মপান লমদগী পুশিল্লকপা য়েরুম্নচিংবশিং ফাওবা মণিপুরদা পুশিল্লকপা থিংবগী ওর্দরশিং থোকখি। অদুবু খ্বাইদগী ঙক্লিবদি, হায়রিবা মতমশিংসিদা মণিপুরদা য়েন, ঙানু, ওকনচিংবশিংগী রেদ-মিটশিং ফ্রেস ওইনা য়োনবা নৎত্রগা অঙৌবা, অফূৎপা, অথোঙবনচিংবা য়োনবগী থবক্তি খক লেপ্পা লৈখিদে। অদুগা, কনাগুম্বা ওথোরিটি অমত্তনা থৌদৌসি থিংবগী থবকসু তৌখিদে। ইরমদম মণিপুরসি তশেংনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমা হায়বদুরা নৎত্রগা মাঙজৌননা হান্ননা চাওখৎলবা লৈবাক অমা হায়বদুরা? ইরমদমসি করিগুম্বা কান্দা ৱাখল য়াম্না লৈবা অশিংবা মীওইশিং য়াম্না লৈবসু মাল্লি, অদুগা করিগুম্বদনা তাইওন্নবা থবকশিং ঙাক্তনা পীক থন্না থেংনবসু অদুম য়াম্না তোয়না থোকই। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা, মণিপুরদা য়েন, ঙানু, ওক্লচিংবশিংগী লায়না লৈরিঙৈ মনুংদসু অদুম্মক, হায়রিবা রেদ-মিটকী আইটেমশিংসি মণিপুরদা য়োনবগী থবক লেপ্পন্দবসি, চাবদা অকায়বা অমত্তা লৈতে খঙবগীরা নৎত্রগা মণিপুরদা থিংবীনবা ওথোরিটিশিং লৈতবগীরা? ৱাহংসি নিংথিনা নৈনবা য়াবা ৱাহং অমদি ওই। হীরমসিদা মখা তানা খন্নবগী মথৌ তশেংনমক তাগনি।

শা-য়েন নাবগী লাইচৎ চথরিঙৈ মতমদা, মণিপুরদা রেদ মিটকী আইটেমশিং ফ্রেস ওইনা অমদি থোংদোক্লবা মওংদা, মফম খুদিংদা য়োন্নখিবগী থবকসি মতৌ করম্না ওইখিবনো? মসি খন্থরুবদা ঙকফম থোকপা থৌদৌ অমনি। অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা মণিপুরদা শা-য়েনশিংগী অথোঙবা আইটেমশিংদা অনাবা অমদি অশিবা শা-য়েনশিংগী রেদ-মিটশিং য়াওনা থোংলমগনি নৎত্রগা থোংলম্লোই হায়বসি কনামত্তনা অশেংবা হায়বা ঙম্লোই। নাবদগী শিবা নৎত্রগা নারিবা শা-য়েনশিংগী মশাদা য়াওরম্বা য়াবা লায়না মখল কয়াগী ভাইরসশিং, অশিবা নৎত্রগা নারিবা শা-য়েনশিংগী মশাদগী শেম্বা রেদ-মিটশিংদসু অদুম্মক পীক থন্না য়াওরম্ফম থোকই। অসিগুম্বা রেদ-মিটকী আইটেমশিংসি চাবদগী মীওইবগী হকচাংদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বসিগী মরমদদি ৱাহংশিং থোইনা হংনখিবা তাদে। করি মরমগীনো ৱাহংশিংসি হংবা থেংনদ্রিবসি? মণিপুরী মীয়ামসি অয়াম্বনা অতোপ্পগী বিজিনেসশিংদা খূৎ থোইনা থিংজিন্নদে অমসুং অথিং-অরাকনচিংবশিং পীবসু পাম্নদে। থৌওংসিগী মখাদা ওইরমগনি, মণিপুরদা হীরমসিদা খঙ-হৈরবা কাঙবুশিং ফাওবা য়াওনা থৌদৌসিগী মরমদা ৱাহৈ অমা ফাওবা ফোঙদোক্লখিদবসি। ফীভসিদনি, লমদমসিদা অনাবা শা-য়েনশিংগী রেদ-মিটশিং য়োনগেরা নৎত্রগা অশিবশিংগী ওইনবু থোংদোক্লগা য়োনগেরা, থোংলি-য়োল্লিবা মীওইশিংদুগী ওইনা ৱাখল্লোনশিংগী মখা পোলহল্লিবসি। অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদনা, বিজিনেস হায়বসি বিজিনেসনি। থিংবীনবা লৈত্রবদি, বিজিনেসতদি মতৌ করম্না শেন্দোং চাউনা ফংগদগে হায়বসি থিনবা ঙাক্তনি। সি-মক নৎলমদ্রগবু করিগীদমক অশিবা, অনাবা শা-য়েনশিংগী মশাশিং খোমজিল্লগা শেম-শাদুনা য়োল্লুগনি? শেন্দোংগীদমক নত্তবরা, রেদ-মিট সেন্টরশিং, অঙৌবা-অতাওবশিংগী হোটেলশিং, মোবাইল সোপশিং হাংনরক্লিবসি? লৈগদবা মীশিংনা লৈনরি, পল্লিক্না কমপ্লেন্ট অমত্তসু তৌনদে। য়োল্লিবশিংগীদি শিৎপু শিৎলি মখৈদি য়োনবা মহৌশানি। হীরমসিদা অয়োনবা কাঙবুশিংদি লান্দেসু হায়রক্কনি। লাল্লিবসি ৱাখল তাদনা পোৎ লৈরিবা পল্লিক কাঙবুসি নত্তবরা? পল্লিক কাঙবুসিনা ৱাখল তারল্লবদবু, অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা অসিগুম্বা মখলগী রেদ-মিটকী আইটেমশিংসি লেপ্পুনা লৈনরমগদ্রা? চাবদা হকচাং শোক্কদবা ফুদ-আইটেমশিং, য়োল্লিবা কাঙবুশিংনা হকচাং শোক্কদবা নত্তে, শুপ্নগী লৈদুনা চারিবা কাঙবুশিংদুনা খক্তা হকচাং শোক্কদবনি।

মথক্তা নৈনরিবা হীরমসিদা মণিপুর লৈঙাক্লসু চেকশিন থৌরাংশিং খরা লৌখৎপীবা ওইনা পোরমশিং য়াৎপীবদি চুমগনি। মণিপুরদা ঙসি ফাওবদা, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ওইবা মপূং ফাবা থৌরাংশিং লৈত্রি, কাঙলোনশিংসু শেম্বীদ্রি। ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগীদি লায়রদনা তশেংনা ফনা চাউনা চান-থক্লবগীদমক হাংলিবা হোটেলশিংসিগী ফাওবা চপ-চানা ঙাক্না চৎকদবা চৎন-কাঙলোনশিং মপূং ফানা থম্বীদ্রি। লমদমসিদা ফ্লাইং ওইনা হোটেল ফম্নরিবশিংসি ম্যুনিসিপালিটি এরিয়াশিংদা ফাওবা লৈঙাক্কী অয়াবা পর্মিসন অমত্তা পায়নবগী ৱা তাদে। লৈঙাক্না য়ানি-য়ারোই য়েংশিল্লগা অয়াবা পীবা নত্তবা লন্নাই-ভেন্দরশিংদা য়োনবা আইটেমশিংবু মতৌ করম্না লৈঙাক্না ফৈ-ফত্তে, য়োনবদা মতিক চাই-চাদে হায়দুনা থিগৎলুগনি। শুপ্নগী অচৌবা অশোয়-অঙাম অমা ৱাথোক ওইনা থোকত্রিমখৈদি থিগৎলুনবগী হক লৈফম থোক্তে। হক লৈনবগীদমক পোলিসি অমা য়াৎপা হায়বসিসু হৌজিক-হৌজিকমক্কীদি তশেংনা লায়না হেক্তা পাঙথোকপা ঙম্বসু নৎত্রি। অদুবু, তশেংনমক্কীদি হায়রিবা পোলিসিশিংসি মণিপুর লৈঙাক্না মতম খরা চঙজরবসু থমহন্নীংই। লোয়ননা, পার্মিটশিং পীহন্নীংই। অসুম্না মণিপুরগী হায়ৱে নৎত্রগা নেসনল হায়ৱেশিংগী মপান্দা অমদি য়ামদ্রবদা ম্যুনিসিপালিটিগী এরিয়াশিংদা ফল্লিবা চান-থক্লবগী আইটেমশিং য়োল্লিবা হোটেলশিং নৎত্রগা ভেন্দরশিংদা পার্মিট পীরবদি, হোটেল নৎত্রগা ভেন্দরশিংদুনা য়োল্লিবা আইটেমশিংদুগী মরমদা লৈঙাক্না নিংথিনা থিগৎপসু য়াগনি। ফীভমসি ওইরবদি, ঙসি-ঙসিমক মণিপুরদা য়েন-ঙানু অমদি অতৈ খরা চাউবা ওক্লচিংবগী রেদ-মিটশিং য়োনবদা লায়না পোকহনবা য়াবা, অশিবা অমদি অনাবা শা-য়েনশিংগী রেদ-মিটশিং য়োনশিল্লি-য়োনশিন্দে তৌনরিবশিংসি নিংথিনা য়েংশিল্লবা মতুং, থিগৎতুনা অফবশিংতমক য়োলহনবসু য়ারমগনি। পূম্নমকসি শেম-শাবদা অমসুং পার্মিটনচিংবা পীনবা হোৎনবদা মতম চঙগদবা লৈরবসু, খুদক্তগী হৌনবা টেম্পররি ওর্দরশিং থোক্তুনা এরেঞ্জমেন্টশিং শীনবীবসু য়াই। মণিপুরদা শা-য়েনশিংগী লাইচৎ লাকপা খুদিংমক্কী মথক্তা নৈনরিবা থৌদৌশিংসি থেংনদুনতা লাক্লবনি। অদুবু, থৌদোকশিংসি কোকহন্নবা পাম্বৈশিং লৈতবনা, মতম চূপ্পদা খরা ঙাঙনরগদা অদুম অয়াম্বনা অশেংবা ফীভমশিং খঙনদনা তোক্লখিবা ঙাক্তনি। ঙসিদি ইরমদমসি কুইশিল্লক্লবনিনা চাওখৎ-থৌরাংগী মমিসু খরা খরদি ফাওনরক্লবা মতমনি। লৈঙাক্না ইন্টরেষ্ট খজিক্তং লৌবীরবদি, চান-থক্লবগী আইটেমশিংসু ওইবনিনা ফ্লাইং ওইনা মতম-মতমগী ফুদ-আইটেমশিং য়োনবা থোক্লক্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অমদি হোটেলশিংসি নিংথিনা চ্যেক তৌবা য়ারমগনি অমসুং চাবদা হকচাং শোক্লোইদবা অমদি লায়না-তীলনা চেল্লোইদবা চিঙ্গাকশিংদমক য়োনহনবসু ঙল্লমগনি।

ৱারক-ৱাতেম ৱাৎপা মচাশিংগুম, মতম-মতমগী লৈঙাকশিংনা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎপীবা ৱাৎপা অমদি য়েংশিনবীবা ঙমদবদগী, মতমসিগী চান-থক্লবগী আইটেমশিং য়োল্লিবা সেন্টরশিংসি চুম্না অমসুং কাঙলোনশিং ঙাক্না থবক তৌরিব্রা নৎত্রগা তৌদ্রিবরা হায়বসি খঙবা ঙমদে। রেদ-মিটকী আইটেমশিং য়াওনা মতমসিগী ফুদ-আইটেমশিং য়োল্লিবা সেন্টরশিং, ভেন্দরশিং অমদি হোটেলশিংসি মরন্নাইগী ওইবা মওংদা মথন-মথন্তনা লেপচবা বিজিনেসকী ৱাখল্লোনশিংদা চথনবগী থৌওংশিংনা অয়াম্বা ওইনা উই। হায়রিবা পোৎয়োনশঙশিংসি লৈঙাক্না চেকশিন্না য়েংশিনবা য়ানবা হোৎনবীবা চুমগদ্রা খল্লি।

হেল্ঠকা মরী লৈনবা চান-থক্লবগী আইটেমশিং ওইবনা তঙাইফদনা, রেদ-মিট আইটেমশিং য়োল্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং, হোটেলশিং অমদি অতৈ সেন্টরশিংসি চিঙ্গাক্কী আইটেমশিং য়োনবগী চপ চানা চৎফম থোকপা কাঙলোনশিংদু য়োলহন্নীংই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।